# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses




লোক্তাক লিফট ইরিগেসন প্রোজেক্টকী হৌজিক ওইরিবা ফীভম মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশ্বরনা ৱাটর রিছোর্সেসকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনবা




মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক ফ্রন্টনা পুথোকপা শেঞ্জা-থুমজ াদগী ইন্দিয়া কল্লু, শেঞ্জা-থুমজাদগী মণিপুর কল্লু, শেঞ্জা-থুমজা মুৎলো মুৎলো থাবা ৱাল পোষ্টর ফোঙবগী শক্তম



ডা. অকোইজম প্রিয়োকুমারদা ইন্টরনেসনল গোল্ড ষ্টার এদ্যুকেসনেল এক্সিলেন্স এৱার্দ অমসুং দাইমন্দ ওফ এসিয়া ইন্টরনেসনল এৱার্দ ফোর এদ্যুকেসন এক্সিলেন্স খৃৎশিন্নবগী শক্তম




মকতাব অমসুং মোহলা কম্পিটিশিংনা শীন্দুনা ইরোং খুনৌদা লৈবা রিয়াজুদ্দিন মকতাবকী ৩শুবা চহীগী মীফম ফম্বগা লোয়ননা মনা-মথুম য়েঙ্থোকপা থৌরমগী শক্তম


Vol. 43, Issue No.032 | নিংথৌকাবা, শজিবু ২৫ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, April 29, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | 101 |
| Moirang | 8415925197 |
| Churachandpur | 8415925191 |
| Thoubal | 8415925203 |
| Kakching | 8415925194 |
| Jiribam | 8415925193 |
| Mayang Imphal | 8415925196 |
| Bishnupur | 8415925190 |
| Moreh | 8415925198 |
| Kangpokpi | 8415925195 |
| Ukhrul | 8415925205 |
| Senapati | 8415925199 |
| Chandel | 8415925192 |
| Singhat | 8415925201 |
| Sugunu | 8415925202 |
| Yairipok | 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| **IMPHAL → BENGALURU** | |
| IndiGO | 10:30 |
| **IMPHAL → DELHI** | |
| Air Asia (India) | 13:00 |
| IndiGO | 14:30 |
| **IMPHAL → GUWAHATI** | |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| Air India | 14:20 |
| **IMPHAL → HYDERABAD** | |
| IndiGO | 10:00 |
| **IMPHAL → KOLKATA** | |
| IndiGO | 11:00 |
| IndiGO | 14:35 |
| Air India | 15:10 |
| IndiGO | 15:30 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.958424 |
| US Dollar | 69.852115 |
| British Pound | 90.166687 |
| Australian Dollar | 49.154801 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.379838 |
| Japanese Yen | 0.626086 |
| Malaysian Ringgit | 16.897801 |
| Australian Dollar | 49.154801 |
| Singapore Dollar | 51.290003 |
| South Korean Won | 0.060319 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.627231 |
| Thai Baht | 2.188830 |
| Myanmar Kyat | 0.04590 |
| Bangladesh Taka | 0.82809 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | |
|---|---|
| Chennai | Rs 32673.80 |
| Mumbai | Rs 33582.89 |
| Delhi | Rs 33368.98 |
| Kolkatta | Rs 33668.45 |

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩২.৭৫ °C | ১৯.৪৫ °C |
| চান্দেল | ৩৯.৮৭ °C | ১৮.১৪ °C |
| সীসীপুর | ৩৪.৩৬ °C | ১৮.১৬ °C |
| ইম্ফাল | ৩৪.০৯ °C | ১৯.৪৮ °C |
| সেনাপটি | ৩০.১০ °C | ১৬.১০ °C |
| তমেংলোং | ৩৫.০৪ °C | ১৬.২৮ °C |
| থৌবাল | ৩২.১০ °C | ২০.৯৮ °C |
| উখ্রুল | ২৫.২৯ °C | ১৫.৭৫ °C |
| মণিপুর | ৩৯.৮৭ °C | ১৫.৭৫ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট, জি ও এম

## HL Poll

Q Doctor amadi anabagi marakta ungkhatnabagi thoudok thokhandanaba pambei puthokpa ngamgani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q National Highway da chenba Truck Driver singdagi Police na shel khomgatli haibasi achumbani haina loubra?

Yes 80% No 20%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

ফনা লুনা তৌজে নুমীৎ নীনি হল্লক্লে হায়রিবদু ঐঙোন্দরা?



নত্তে, নঙোন্দা শুকনৎ নত্তে, ঐখোয়গী হুই কারুববু হায়জবনি!

# প্রি মনসুনদা নোংজুগী চাং চাদা ২৭ হন্থবনা মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোইদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

মার্চতগী এপ্রিল ফাওবা প্রি মনসুনগী মতমদা নোংজুগী চাং চাদা ২৭ হন্থরে হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না ফোঙদোকখ্রে।

আই এম দিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মার্চ ১দগী এপ্রিল ২৪ ফাওবদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা নোংজুগী চাং মিলিমিটর ৪৩.৩ ওইখি। ময়েক্কীদি প্রি মনসুনদা নোংজুগী চাং মিলিমিটর ৫৯.৬ য়ৌগদবনি। হন্দক্কী ওইনদি প্রি মনসুনদা নোংজুগী চাং চাদা ২৭ হন্থরে হায়রি।

অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা নোংজুগী চাং চাদা ২৩ হন্থরি। নোংজুগী চাং খ্বাইদগী নেম্লিবসি উত্তর প্রদেশ, দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোংজুগী চাং চাদা ৩৮ হন্থরে হায়না আই এম দিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, সাউথ ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙামক, পুদুচেরি, গোৱা অমদি কোষ্টেল মহারাষ্ট্রদা প্রি মনসুনগী নোংজু চাদা ৩১ লোম চাং হন্থরে। নোংজুগী চাং হেল্লিবসি সেন্ট্রেল ইন্দিয়াগী মফম খরখক্তদনি। হায়রিবা মফম অসিদা নোংজুগী চাং চাদা ৫ হেনগৎলকপগা লোয়ননা থা অসিগী মনুংদা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং অখাক-অরাউনা মরম ওইরগা মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, গুজরাট অমদি রাজস্থানদা মীওই ৫০ হেন্না শিহনখি।

প্রি মনসুনগী নোংজুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহৈ-মরোং উবদা চাউনা মতেং ওইনরিবনি। চহী অসিগী ওইনদি প্রি মনসুনদা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বা নোংজুগী চাং নেম্বা মরম্না মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরি।

স্কাইমেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট (মেটিওরোলোজি এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ) মহেশ পলাৱটনা এজেন্সীদা হায়খি, প্রি মনসুনদা নোংজুগী চাং নেম্বনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈরে।

আই এম দিগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরম্বা লক্ষমন সিংহ রাথোরনা এজেন্সীদা হায়খি, অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অমসুং ৱেষ্টর্ন ঘাটকী মফম অয়াম্বদা প্রি মনসুনগী মতমদা মহৈ-মরোং থাবগী থবক তৌরি। হায়রিবা মতম অসিদা নোং চুবগী চাং নেম্লবদি পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদে। হিমালায়ন রিজনদসু প্রি মনসুনগী মতমদা সেম থাবগী থৌরাং লৌখৎনৈ। হায়রিবা মতম অসিদা নোংজুগী চাং নেম্লবদি সেম মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদে। চু অমদি লশিং মরাং কায়না পুথোক্লিবা সেন্ট্রেল ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা ঈথৈ-লৌখোংগী মতেংনা মহৈ-মরোং থাবা তারবসু প্রি মনসুনদা নোংজুগী চাং নেম্লবদি পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লাকপা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

আই এম দিগী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল মৃতুনজয় মোহপত্রনা এজেন্সীদা হায়খি, প্রি মনসুনগী মতমদা অরাবিয়ন সী অমসুং বে ওফ বেঙ্গলদগী শীৎলকপা ঈশিং মনিল য়াওবা নুংশিৎনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা নোং চুহনবনি। চহী অসিগী ওইনদি প্রি মনসুনগী মতমদা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা নোং চুবগী চাং কা হেন্না নেম্লে।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎখ্রে, মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

# উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চাদোংদা হি অনী ঈশিংদা লাকখ্রে, নুপা ২ অমসুং নুপী ১ থিবা খঙদনা লৈরি



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী মফম কয়ামরুমদা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা খঙহৌদনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা য়ূম-কৈ হুমদোকপা য়াওনা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলকপা অদুদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাদোংদা হি অনী ঈশিংদা লাকখ্রে। হী ঈশিংদা লাকখিবা অদুদা য়াওখিবা মীওই মাপন রেস্ক্যু তৌখ্রে। অদুগা নুপা অনী অমসুং নুপী অমা থিবা খঙদনা লৈরি। থিবা খঙদনা লৈরিবশিং অদুদি, এস রজিব (৩৫), এস রোমেন (২৯) অমসুং নিংথৌজম রানী (১৯) কৌই। মখোয় অহুম্মক নিংথৌখোংদগী ঙাক্তনি। রজিব অমসুং রোমেনদি পোকমিন্নবা মচীন-মনাওনি। মফম অদুদা হৌজিক ফায়র বৃগেদকী টিম, মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিং, অসাম রাইফলস, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমদি পুলিসনচিংবা য়াওনা মীওই অহুম অদু থিবগী থবক লেপ্তনা চত্থরি হায়রি।

মায়কৈ খঙদনা শীৎলকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, তমেংলোং, নোনে, সেনাপটি, কাংপোকপী, উখ্রুল, চান্দেল, কামজোং, চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজেলগী মফম কয়াদা লৈবা য়ূম ২০০ রোম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না পানরি। মসিদসু নৎতনা ককচীং অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু অমাঙ-অতা থোকহনখি হায়রি। অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শীৎলকপা অদুদা মফম কয়াদা উ-ৱা মরূ ফুক্তুনা লম্বীদা তাশিল্লক্তুনা অশোক-অপন নংহনবসু য়াওখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মহাবলি কবুই খুলগী লম্বী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ডা.অকোইজম প্রিয়োকুমারদা ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২ পীরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস): চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল থৌবালগী লেকচরর অমসুং এন এস এসকী প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. অকোইজম প্রিয়োকুমারনা এদ্যুকেসনগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা থবক কয়া পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা ইন্টরনেসনল এৱার্দ অনী পীরক্লে।

ইকনোমিক গ্রোথ সোসাইটি ওফ ইন্দিয়া অমদি এসোসিএসন ফোর রাইজিং এন্দ টেলেন্টেদ পর্সনেলিটিজ, ন্যু দিল্লিনা ডা.অকোইজম প্রিয়োকুমারদা ইন্টরনেসনল গোল্ড ষ্টার এদ্যুকেসনেল এক্সিলেন্স এৱার্দ অমসুং দাইমন্দ ওফ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# রনবির হাৎখিবা সী বি আইগী ইনকাউন্টর কেসসু ট্রান্সফর তৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা থোকখিবা ইনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোকশিংগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসশিংগী মনুংদগী কেস ১৫২৮গী মতাংদা অমুক হন্না থিগৎহনবীনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলুবদগী কোর্টসিনা অয়াবা পীরকখ্রবা কেসশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'লাইশ্রম রনবির' হাৎখিবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না লৌখৎপা কেস অমা অতোপ্পা কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌনবা থবক লৌখৎখ্রে।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখিবদু এক্সট্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন (ঈভফম) অমসুং হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ)ননি। লূপ অনী অসিনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা কোর্ট অসিদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-১২৯ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল চত্থরগা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ কী জুলাই ১৪ দা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্তুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইদা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেল্লগা থিজিন্নবা হোৎনখিবনি।

সী বি আইনা চার্জশীট থাগৎলকখ্রবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনসু প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীরকখ্রবা লাইশ্রম রনবির হাৎখিবগী থৌদোক অসি হৌখিবা কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ২০গী নুমিদাং অথেংবদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চন্দ্রনদি রোদতা লৈবা নরান কোঞ্জিল পুখ্রি অচৌবা মনাক্কী মফম অমদা থোকখিবনি।



থৌদোকসিগী মতাংদা সী বি আইনা চার্জশীট থাগৎলকপদা এক্যুজশিং ওইনা চার্জ তৌরক্লিবনা মতম অদুগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস ক্ষেত্রিময়ুম উত্তমকুমার, হেদ-কন্সটেবল কে ঐচ শুশিলকুমার অমসুং লাইশ্রম দিনাচন্দ্র লোয়ননা রাইফলমেন য়ুম্নাম সন্তোশনি।

সী বি আইনা কেস অসিগী চার্জশীট চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা থাগৎলকপদগী কম্মিটিং কোর্ট ওইরিবা সেসন জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ৱায়েলগীদমক লানখৎলকখিবনি।

অদুবু কোর্ট অসিদা ৱায়েলগী থবক লৌখৎলকপদা এক্যুজশিং অসিগী মায়কৈদা লেপ্লকখিবা সিনিয়র কাউন্সেল অসি মতম অমদা প্রেসাইদিং ওফিসর অসিগী সিনিয়র এদভোকেট ওইরম্বনা অতোপ্পা কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌনবগী থবক লৌখৎলকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা অয়াবা পীবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হায়জখ্রে হায়রি।

কেস অসিগী নম্বরনা এস টি নম্বর ৪৩ ওফ ২০১৮ নি। পনবা য়াবদি, কোর্ট অসিদা কম্মিটিং তৌরকখিবা অতোপ্পা সী বি আইগী কেস অমা (এস টি নম্বর- ৪২ ওফ ২০১৮) সু কোর্ট অসিদগী ট্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হায়জখ্রবনি।

# স্কুল মৈ থারম্বশিং ফাদ্রবদি মতম কক্তবা বন্দ কৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎকী নুমিদাংদা সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মৈ থারম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই পুম্নমক ষ্টেট লৈঙাক্না ফাদ্রবদি সুগনু এরিয়াদা মতম কক্তবা বন্দ কৌরগনি হায়না জে এ সী অগেনষ্ট বর্নিং দাউন ওফ সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ফোঙদোকখ্রে।

স্কুলগী কেম্পসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা জে এ সীগী মেম্বর মোইরাংথেম সঙ্গিতানা হায়খি, সুগনু এরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# রেদিও দ্রামা অমদি সাহিত্য হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া রেদিও রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনা শীন্দুনা রেদিও দ্রামা অমসুং সাহিত্য হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম অমা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজমনা হায়খি, রেদিও দ্রামা, খোঞ্জেল লীলা অসিনা হেন্না খঙহল্লিবসি অইবনি। রেদিও লাকপদগী মতম ঈশৈ, লাইশোল ঈশৈনচিংবা ঈশৈ কয়াগী ময়েকশিংসু লাইরিক ওইনা ফোঙবা য়াওরক্লে। রেদিও দ্রামা অসি খোঞ্জেল লীলা ওইনা য়াম্না ফাওরিবা অমনি। চহী খুদিংগী দিসেম্বর থাদা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ওইনা পুথোকপা দ্রামাশিংদগী অফবা খনগৎলগা দিল্লিদা থাদুনা লোল কয়াদা শান্নবা ওল ইন্দিয়া দ্রামা ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারম্মী। মসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

এম এল এ ২না থাঙ্গৎলকপা দিসক্বালিফিকেসন কেস

# মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী কাউন্সেলনা আর্গ্যুমেন্ট হিয়রিং হৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা অন্দ্রো এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লগা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা মমিনিষ্টর ওইরিবা শ্যামকুমারবু এন্টি-দিফেক্সন লোগী মতুং-ইন্না এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কোংগ্রেস এম এল এ অনীনা ফাইল তৌরকখিবা কেস অনীগী আর্গ্যুমেন্ট হিয়রিংদা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী কাউন্সেলনা আর্গ্যুমেন্ট সবমিসন হৌখ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী মথক্তগা এন্টি-দিফেক্সন লোনা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা দিসক্বালিফিকেসনগী প্রোসিদিং লৌখৎপীদ্রবনিনা কোর্ট অসিগী মায়কৈদগী ওইনা লৌখৎপীরো হায়দুনা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবা কোংগ্রেস এম এল এশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

প্রোফেসর ইস্লামউদ্দিন মর্দর কেস

# আর্গ্যুমেন্ট হিয়রিং মকোক্তগী অমুক হৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাং হৌখিবা কুমজা ২০০৯গী মে ২৫ গী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম তারকপদা মতম অদুগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইরম্বদা নৎতনা মহৈকোল অসিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী দিনসু ওইরমখিবা প্রো. এম দি ইস্লামউদ্দিনবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা চত্থরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা আর্গ্যুমেন্ট হিয়রিং অমুক হন্না মকোক্তগী হৌগদৌরি।

প্রো. এম দি ইস্লামউদ্দিনবু নুমীৎতুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইব্রেরি বিল্ডিং মনাক্কী মফম অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি। থৌদোক্তুগী মতাংদা অহানবদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ১০৯(৫) ২০০৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# '২০১৮-১৯দা বন্দ, ব্লোকেদনা ক্রোর ২০১৬ মাঙহনখি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা কুমজা ২০১৮ গী মার্চতগী কুমজা ২০১৯ গী মার্চ থা ফাওবদা লৈখিবা বন্দ অমদি ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরগা লুপা ক্রোর ২০১৬.৪৮ লোম মাঙহনখি হায়না সোসল রিছার্সর সার্তো তোন্দানা কোমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সার্তোনা হায়খি, কুমজা ২০১১ গী সেন্সসতা মণিপুরী মীশিং অসি ২৮,৫৫,৭৯৪ নি। কুমজা ২০১৮-১৯ দদি মণিপুরী মীশিং অসি চাউরাক্লা ৩৩,৬৬,০৮৭ নি। কুমজা ২০১৮-১৯ দা মণিপুরগী পার কেপিটা ইনকম ৬৯২৭৩ নি। পার কেপিটা ইনকম অসি নোংমগী চাংদা পাথোক্লগদি নোংমদা লুপা ১৯০ নি। কুমজা ২০১৮ গী মার্চতগী কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা নুমীৎ ৮৮ নি মণিপুরদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌখি। ইকনমিক ব্লোকেদনা নুমীৎ ৭নি তৌখি।

মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী মনুংদা মপান লমদা তোঙান তোঙানবা শিনফমগীদমক চৎনখিবা, মহৈ তম্বা চৎনখিবা, হোস্পিটালদা নাদুনা লৈরিবা মীওইনচিংবশিং খায়দোকখ্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা মরম ওইরগা শোকহল্লিবসি চাদা ৩৫ রোমনি হায়না পারি। মসিদা নোংমগী ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা মতমদা মাঙলিবসি লুপা ক্রোর ২২.৩৮ নি। লুপা ক্রোর ২২.৩৮ অসি নুমীৎ ৮৮ নিদা মাঙলকপা তারবদি লুপা ক্রোর ১৯৬৯.৪৪ রোমনি।

মণিপুরদা কুমজা ২০১৮ গী মার্চতগী কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা নুমীৎ ৭ নি ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখি। নোংমদা লুপা ক্রোর ৬.৭২ গী চাংদা ব্লোকেদনা মাঙহল্লি। নুমীৎ ৭ নিগী পারকপা মতমদা লুপা ক্রোর ৪৭.০৪ মাঙই। জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মাঙহনবা লুপা ক্রোর ১৯৬৯.৪৪ অমদি ব্লোকেদনা মাঙহনবা লুপা ক্রোর ৪৭.০৪ অসি পুল্লগা ষ্টেটসিগী ওইনা মাঙলিবসি লুপা ক্রোর ২০১৬.৪৮ নি।

ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইস্যু লাকপা মতমদা জেনরেল ষ্ট্রাইক, ব্লোকেদনচিংবা কয়া চথে। লৈঙাক্লা লোং টর্ম পোলিসী নীংথিনা পায়খৎপা চঙই। বন্দ অমদি ব্লোকেদ তৌরকপা মতমদা লায়রবা মীয়ামদা শোকহনবতা নত্তনা লৈঙাক্তসু চাউনা অমাঙবা ওইরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।




HL-B/5334/11/4-24/5




HL-P/3951/4/4-6/5